পাকিষ্টানগী পি এমগা ৱারী শানদুনা অমুক হন্না মরী শেমগৎনবা পোমপেও পাকিষ্টান্দা থুংখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী)ঃ

যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপেও পাকিষ্টান্দা থুংখ্রে। লুচিংবা অদুনা পাকিষ্টানগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খানগা উনদুনা অমুক হন্না লৈবাক অনীগী মরী শেমগৎনবা ৱারী শানগনি হায়রি।

যু এসনা পাকিষ্টানগী মথক্তা টেররিষ্টশিং য়োকখৎতুনা থম্মী হায়বগী মরাল শিবা কয়া লৈরি। অফঘান টালিবান মিলিটেন্ট কয়া লৈবাক অদুদা মনিং তম্না লৈহল্লি হায়না মরাল শিখিবা মতুং মাইক পোমপেওনা পাকিষ্টানগা অমুক হন্না মরী শেমগৎনবা লৈবাক অদুদা থুংখ্রে। হৌখিবা মতম কয়াদগী ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না পাকিষ্টানগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগী লমদা তেংবাং ওইনা পীগদবা দোল্লর বিলিয়ন অমগী শেনফম সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লকখিবনি। পোমপেওনা ইস্লামবাদতা নোংমা লৈরম্লবা মতুং ইন্দিয়াদা লাক্কনি হায়রি।

পাকিষ্টান ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, মিলিটেন্টশিং থেংননবা শেম-শাবগী লোয়ননা যু এসনা ফাজিন্দুনা থমখিবা শেন্থং অদু থাদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি। পাকিষ্টান্দা চৎপগী খোঙচৎ মনুংদা পোমপেওনা এরোপ্লেন মনুংদা ফোঙদোকখিবদা, পাকিষ্টান-যু এসকী মরীদা শিংনরকপা কয়া লৈরে। অদুম ওইনমক লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরক্তুনা অনৌবা মরী শাগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

পাকিষ্টানগী অনৌবা লুচিংবা অদু থবক পায়বা হৌবদা ঙাইরি। মতম অসিদা যু এস-পাকিষ্টানগী মরক্তা অমুক হন্না অফবা মরী লৈহন্নবা থৌশিল পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু থল্লি হায়রি। পোমপেওনা পাকিষ্টানগী মতিক ময়াই লৈরবা লান্মীগী মকোক কমর জাবেদ বাজৱাগসু উনগনি হায়রি।

যু এসনা হায়, অফঘানিষ্টান টালিবান অমসুং হকানি নেটৱার্কতা মতেং পীদুনা পাকিষ্টানগী ঙমখৈ মনুংদগী অফঘানিষ্টান্দা এটেক চথনবা হোৎনবদা মতেং পাংলি হায়বা ৱাফম অদু পাকিষ্টান্না খঙশিন্নদনা লৈথোক্লি। পাকিষ্টান্না মিলিটেন্ট কয়া মখোয়গী ঙমখৈগী মনুংদা লৈহন্দুনা মতেং পাংলি। নাকল অমরোমদা, অফঘানিষ্টান্দা টেররিষ্টশিং মরুওইনা অল কাইদানচিংবা টেররিষ্টশিং লাকশিন্নবা ইন্টরনেসনল ট্রুপশিং পাকিষ্টানগী ঙমখৈ মনুংদা থবক তৌবা য়াহনখিবসু লৈরি হায়রি।

তাইফুন জেবিনা মরম ওইরগা জপানগী ওসাকাদা লৈবা কানসাই এয়রপোর্ট থিংজিনখ্রে



টোকিও, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী)ঃ

কা-হেন্না মপাঙ্গল কনবা টাইফুন জেবিনা জপানগী কংফালগী শরুক্তা চঙশিল্লকপগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনখ্রে। মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। লোয়ননা কানসাই এয়রপোর্ট থিংজিনখ্রে হায়রি।

জপানগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা খ্বাইদগী মরুওইবা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অদু ঈশিং থুমজিল্লকপনা মরম ওইরগা থিংজিনখ্রে। কানসাই এয়রপোর্ট অদু লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরুওইনা ওসাকা, কোবে অমসুং কেৱোটোগা ফাওনবা খ্বাইদগী মরুওইবা ট্রান্সপোর্ট হব অমনি। ওসিন টেঙ্কর অমনা এয়রপোর্ট অদুগা শম্নগদবা থোং অমদা য়ৈশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা লমদমশিং অদু ফাওনবা য়াহনখিদ্রে। চহী ২৫ গী মতুংদা হুমজিল্লকখিবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা টাইফুন জেবিনা লৈবাক অদুদা মীওই ১০ গী পুন্সি মাঙহনখ্রে। ওসাকাগী ট্রেন লাইন কয়া মাঙ-তাকহনখ্রে। লমদম অদুদা লৈবা যুম কয়া হুমদোকখ্রে। লোয়ননা গাড়ী কয়া মথক মখা ওন্দুনা অকক্লবা মফম অমদা পৈশিন্দুনা লৈবা থেংনরে হায়রি।

অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা থাউ পুবা টেঙ্কর অমা সমুদ্রগী শরুক খরা ফাওনা চৎপা থোং অমগী মথক্তা লানশিন্দুনা তাশিল্লকখি। মদুদা নত্তনা লমদম অদুগী মরুওইবা ট্রেন লাইন অমসুং লম্বী কয়া অমাঙ অতা থোকখ্রে। কানসাই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অদু সমুদ্রগী মথক্তা মীনা শেন্বা ঈথৎ অমদা লৈবনি। এয়রপোর্ট অদু থোং কয়ানা শম্নহনবনি। টেঙ্কর অমা হায়রিবা থোং অমদা য়ৈশিল্লকপনা মরম ওইরগা অমাঙ-অতা থোকপদগী এয়রপোর্ট অদু থিংজিনখিবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৩০০০ রোম এয়রপোর্টতা পন্দুনা লৈখ্রে। লোয়ননা এয়রপোর্ট অদুদা পুং ১৮ চুপ্পা মৈ ফংখিদে হায়রি।

এয়রপোর্ট অদুদগী মী হোন্দোক্নবগীদমকস্পিদ বোটশিং শীজিন্নখি। স্পিদ বোট অমসুং ফেরি শীজিন্নদুনা এয়রপোর্ট অদুদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়রি। এয়রপোর্ট অদুদা পুং কয়া চুপ্পা মৈ ফংদবনা মরম ওইরগা এয়র কন্দিসনরশিং শীজিন্নবা য়াখিদে। অশাবা মরক্তা মীওই কয়া অহিং চুপ্পা খাঙদুনা লৈনখি হায়রি।

রসিয়াগী প্লেনশিংনা ইদলিব প্রোভিন্সতা টার্গেট তৌদুনা বোম থাদখ্রে

দমাস্কস, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

সিরিয়াগী রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ইদলিব প্রোভিন্সতা রসিয়াগী প্লেনশিংনা বোম থাদরি। লৈঙাক্কী লান্মীনসু প্রোভিন্স অদুদা লান্মী থাজিন্দুনা ওফেন্সিব ষ্ট্রাইক চথনবা হোৎনরি।

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদতা অকনবা ৱাফম থমখিবসু লৈখ্রবনি। ইদলিব প্রোভিন্সতা লৈঙাক্না মথোং মরম খঙদনা এটেক চথৈ হায়বগী মতাংদা যু এসনা ৱার্নিং তৌরিঙৈ চৈরক্তা রসিয়াগী লানগী প্লেনশিংনা প্রোভিন্স অদুদা লৈবা মিলিটেন্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা বোম থাদবা হৌরকখি হায়রি।

রসিয়াগী লান্মীগী মকোক থোংবা লুচিংবা পেস্কোভনা হায়, ইদলিব প্রোভিন্স অদু অল কাইদাগা শম্নবা জিহাদিশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফম অমনি। মফম অদুদগী মিলিটেন্টশিংনা রসিয়াগী মিলিটরি বেজশিংদা এটেক চথনবা হোৎনরক্লি। লোয়ননা শিংনবা কয়াসু থোকহল্লি হায়না মরাল শিরক্লি।

যুনাইটেদ নেসন্সনা সিরিয়াদা কা হেন্না মাঙ-তাকপগী ফীভম অমা থোকহল্লি। মদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইবশিংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লিবা অদু লেপকদবনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবসু লৈখ্রবনি। সিরিয়াদা লৈবা যু এনগী ইনভোই ষ্টাফন দে মিষ্টুরানা রসিয়া অমসুং টর্কিদা হায়খিবদা ইদলিবতা ঈ-নাই তাবগী থৌদোকশিং থোকহল্লোইদবনি। রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুতিন অমসুং টর্কিগী লুচিংবা টায়িব ইর্দোগনদসু টেলিফোন তৌদুনা হিরম অদুগী মতাংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অফ্রিকান-অমেরিকান আয়ান্না প্রেসলি যুনাইটেদ ষ্টেটস কোংগ্রেসকী মেম্বর ওইনা মাসাচুসেটসতগী মায় পাকখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী)ঃ

আয়ান্না প্রেসলি যু এস কোংগ্রেসকী মেম্বর ওইনা মাসাচুসেটসতগী মায় পাকখ্রে। লুচিংবী অদু মাসাচুসেটসতগী অহানবা ওইনা মায় পাক্লকপা অফ্রিকান-অমেরিকান অমা ওইরে।

চহী ৪৪ শুরবী লুচিংবী অদু বোষ্টোন সিটি কাউন্সীল্লর ওইনা নোমিনেসন ফংখি। লুচিংবী অদু লৈবাক অদুগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিদ টার্ম ইলেকস্নদা মীখল থেংনবগী তঙাইফদবা লৈত্রি। যু এসকী ওইনা কুমজা ২০১৮ অসি নুপী কেন্দিদেট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থোল্লকখিবা পুৱারী ওইরগদবা চহী অমা ওইরে।

মায় পাক্লবা মতুং আয়ান্না প্রেসলিনা হায়, লৈবাক অসিদা অহোংবা অমা লাক্লে। ঐখোয়গী ওইবা তুংগী মীৎয়েং অমা লৈরগনি। যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প কাঙলুপ অমদা মীৎয়েং থম্বা অশেংবা লুচিংবা ওইদবা বেঙ্ক ক্রুপ্ট তৌরবা মীওই অমনি। মহাক কুচু ঙৌবা মীওই নত্তবা লমদম অদুদা মীয়াম্না য়াবা মীশক অমা ওইরে। ঐখোয়না মায় পাক্লে হায়খি। লুচিংবী অদুনা মায় পাকপগী হরাও তয়াম্বগী শক্তম কয়া সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকখ্রে। মীওই লিশিং কয়ানা মহাক্কী মায় পাকপগী শক্তমশিং সিয়ার তৌনরকখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুদা চহী ২০ লোম মায় পাক্তুনা লৈরম্লবা চহী ৬৬ রোম শুরবা মীওই অমা মায়থিবা পীরমদুনা হন্দক্কী প্রাইমারি মীখল অদুদা লুচিংবী অদু মায় পাক্লকখিবনি। মায়থিহৌরবা কাপুৱানোনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অদুদা অহোংবা পুরকপা হায়বদু মীয়াম্না পাল্লিবা অমনি। মদুমক ওইরকপা ওইরসনু। মায় পাক্লবী প্রেসলিনা তৌবা ওন্থা অমসুং লুচিংবা অমা ওইবগী মগুন লৈহন্দুনা মীয়ামগা লমজিংবা ওইরসনু হায়খি।

লুচিংবী অদুনা ঙসি হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লদুনা হায়, লমদম অদুদা কাঙলুপ নাইবগী থৌশিলশিং মমি শামখ্রগনি। ইমিগ্রেসন এন্দ কষ্টমস ইনফোর্সমেন্ট (আই সী ঈ) মুখৎতুনা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মাইগ্রেন্টশিংগী মথক্তা য়েংলিবা মীৎয়েং অদু অহোংবা পুরক্লগনি। কাউন্সীল্লর অমা ওইদ্রিঙৈ মমাঙদা প্রেসলি সিনেটর জোন কেরিগী থবক তৌবা মীওই অমা ওইরমখিবনি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা জো কেনেদি অমসুং জোন কেরিগীদমক মতম শাংনা থবক তৌরকখি। প্রেসলিনা মায় পাল্লিবা সিট অদু হান্নগী লুচিংবা জোন এফ কেনেদিনা মীরেপ ওইরম্বা মফমনি হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোল্লিবা মীখল অসিদা প্রেসলিনা চাউনা মায় পাকখ্রে। চহী কয়া চুপ্পা থৌ পুরম্লবা মীওই অমবু মায়থিবা পীদুনা লুচিংবী অদুনা মায় পাক্লকপদা মীয়াম্না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখ্রে হায়রি।

প্রেসলিনা মায় পাক্লকপদা ওকাসিয়ো-কোর্টেজনা থাগৎপা ফোঙদোকপা ৱাহৈ কয়া ত্বিটরদা থাগৎলকখ্রে। ত্বিটরদা থাগৎলকখিবা ৱারোল অদুদা ওকাসিয়োনা হায়, মীয়ামগী পুক্নিংদা লৈরম্বা অমম্বশিং কোকহুনবা ওন্থ্রবী মগুন অমসুং এক্সপিরিয়েন্স কয়া লৈরবা মীওই অমনা মায় পাক্লি। নাকল অমরোমদা, কোংগ্রেসনা জো কেনেদিসু দিমোক্রেট রিচার্দ নেল (৬৯) মায়থিবা পীদুনা মায় পাকখ্রে হায়রি। পোলিটিক্স নৈনবশিংগী মতুংইন্না ষ্টেট হাউসকী সিট ৯ দিমোক্রেটশিংগী মখুৎতা লৈখিবা য়াই হায়রি।

লিবিয়াদা খুৎ থোক্নরিবা কাঙবুশিং সিজফায়র তৌনবা য়ানখ্রে

ত্রিপোলি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

লিবিয়াগী কোনুং ত্রিপোলিদা হৌজিক অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নরিবা রাইভেল মিলিসিয়া অমসুং লান্মীগী মরক্তা সিজফায়র তৌনবা য়ানখ্রে হায়না যুনাইটেদ নেসন্সনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদগী হৌনা লমদম অদুদা খুৎ থোক্নরকপনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৭ শিখ্রে অদুগা ইমুং ১,৮০০ না ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা সিজফায়র তৌনবগী ৱাফম অদু নোংচুপ থংবা সিটি অদুগী শরুক্তা লাউথোকখি। যু এননা শৌগৎপা লৈঙাক অদুনা ত্রিপোলিদা হৌজিকসু পৱার পায়দুনা লৈরিবনি। অদুগা লৈবাক অদুগী লেমহৌরিবা শরুক কয়াদি মিলিসিয়াশিংগী মখুৎতা লৈখ্রবনি হায়রি। শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা খুৎ থোক্নরিবা নাকল অনীমক্না মীচমশিংবু শোকহন্দনবা অমসুং লন-থুম কয়া মাঙ-তাকপদগী কন্ননবা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট অদু ঙসি সাইন তৌনখিবনি হায়না যু এন মিসন্না ফোঙদোরক্লি।

এগ্রীমেন্ট অদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং ত্রিপোলিদা সিক্যুরিটিগী প্রোব্লেম খুদিংমক লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী ৱাফমদি লৈতে। অদুম ওইনমক ফ্রেমৱার্ক অমগী মনুংদা ৱারী শাননবা থৌশিল পায়খৎপনি হায়রি। যু এননা শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ (জি এন এ) অমসুং লৈবাক অদুদা লান হৌরিব তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা কাঙলুপশিং লোয়ননা লান্মীগী ওফিসরশিংগা ৱারী শাননবা থৌশিল অদু পায়খৎখিবনি। ত্রিপোলিদা সিজ ফায়র তৌননবা হোৎনখিবা কয়া কায়খ্রবনি হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্নবা খোঙজংলোয় ৫ শিরে

বাগদাদ, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

ইরাক্কী মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা বাস্রাদা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্নবদা খোঙজং চঙশিনবা মীওই মঙা শিরে। অদুগা ১৬ না অশোক-অপন নংখ্রে।

লমদম অদুদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগী নীনি চনবা নুমীৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা চাউনা মুক্নবগা লোয়ননা খুৎ থোক্নরকখি। খুৎ থোক্নবা অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেল ১৪ সু অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি। খোঙজং চঙশিনবা মীওইশিং অদুনা পেত্রোল বোম কয়া লৈঙাক্কী বিল্ডিংশিংদা লংশিন্দুনা পোকখায়-হনখি। সিটি অদুদা লৈবা মীয়াম্না নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং মরুওইনা থক্নবা ঈশিং অমসুং থবক পীবা ঙমদবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মথক্তা অশাউবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং অদু চঙশিল্লকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা মুক্নবদা মীওই অমা শিখিবসু লৈখ্রবনি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, শেঙ্গা-থুমজানা মপুং ওইরবা লৈঙাক অদুনা থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক থৌশিলশিংসু ফেল ওইরে। মদুনা মরম ওইরগা ইরাক্কী থাউগা মরী লৈনবা থৌশিলশিং মাঙ-তাকহল্লে হায়না মরাল শিরক্লি। নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্না হায়, হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোকশিং অদু লাকশিন্নবা থৌশিল পায়খৎলে। অদুম ওইনমক লমদম অদুগী মীয়াম্নদি লৈঙাক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। খোঙজং চঙশিনবশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ইরাক্তা লৈরিবা পোলিটিক্স তৌবা মীওইশিংনা লৈঙাক শেম্মবা হোৎনবদা হেন্না পুক্নিং চঙখিবনা মরম ওইরগা তৌফম থোকপা থবক কয়া তৌবা ঙমহন্দ্রে।

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

NOTIFICATION

Imphal, the 5th September, 2018

No.CRBD(MD)/2013-DHS(Pt): In pursuance of Secretariat, Health Department, Govt. of Manipur letter No.2/21/2013-M dated 23/07/2018, a Walk-in-Interview will be held shortly at Medical Directorate, Lamphelpat for selection of suitable candidate on contract engagement of the following posts for Civil Registration System with funding from Govt. of India, Ministry of Home Affairs, Directorate of Census Operation.

Interested candidates having the requisite qualifications, experiences may submit their application in the prescribed format, enclosing their bio-data along with **(A)** 2 (two) recent Pass Port Size photographs, **(B)** Rs.500/- (rupees five hundred) only for General, **(C)** Rs.300/- (rupees three hundred) only for OBC, **(D)** Rs.200/- (rupees two hundred) only for ST & SC and **(E)** Rs.100/- (rupees one hundred) only for PWD.

Application forms will be available at this Directorate w.e.f. 10/09/2018 to 17/09/2018 during office hours. Application will be received upto 3 p.m. of 24/09/2018.

Sl. No.	Name of post	No. of post	Qualification	Remuneration fixed by FD/PIC's norms.
1.	State Coordinator	1 (one)	**Educational Qualification :** i. Post graduate with Statistics / Bio-Statistics / Health Statistics/ Economics / Mathematics / Commerce / Computer Science / IT / Social Science /Sociology or Graduate in any branch of Engineering. ii. Should have good command over Hindi/English & local language of the State. iii. Candidates should be well conversant with basic Computer knowledge in MS-Office/Open Office, Statistical tools etc. **Desirable qualification :** iv. 2 (two) years of experience in surveys and statistical analysis.	Rs.13,700/- p.m. (Rs.9300+4400)
2.	Data Processing Assistant	10 (ten)	**Educational Qualification :** i. Graduate Degree from any recognized University. Non-Computer Degree Candidates must have Diploma / certificate in Computers / IT for minimum duration of 1 (one) year from any recognized Institute / Organization. ii. Must be well conversant with typing on computer. iii. Should have good command over Hindi/English & language of the State. **Desirable qualification :** iv. 1 (one) year of experience in relative field like data collection, compilation and data entry etc.	Rs.7,600/- p.m. (Rs.5200+2400)

Age Limits: *38 yrs. & Below. Upper age limit is relaxable for Govt. Servant as per rules. 5 yrs. relaxation for SC & ST Candidate & 3 yrs. for OBC Candidates.*

Reservation:- Reservation will be provided as per the reservation policy of Government of Manipur.

Sd/- Dr. K. Rajo Singh
Director of Health Services, Manipur

HL-B/4836/6&7

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯐꯣꯡꯗꯣꯀꯆꯔꯤ

থাগৎপা ফোঙদোকচরি পাইলসকী ওজা অব্দুল হক মণিপুরদা অতাংবনি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, লিকপা, শৌজ মনুং-মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চিকপা, শাবা, চাথৎলগা থুপ্পা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখাইরগা ঈ তাবা, পুক খোংবা গ্যেষ্ট্রিককী মওংগুম, খ্বাঙ নাবা, লেঙশিনবা, চানিংবা পোক্তবনি। ওজাগী হিদাক ঐহাকসু চাজবদগী মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লায়নাশিং অসি মপুং ফানা ফজখি। ওজাবু পুন্সিদা কাওজবা ঙমজরোই। মীয়ামগী সেবা পুন্সি নুংশাংনা তৌবা ঙমহনবীবা ওইহনসু হায়না পাউচেগী থোংদা ফোঙদোকচরি।

লায়েংবীরিবা ঃ কবিরাজ অব্দুল হক

কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৮৭৯৪৪২৯৬৮১

ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং

থাগৎচরিবা : **Y. MANGLEM**
Seijang Awang Leikai

HL-P/5246/6

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্নগসু অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ তোয়না তোয়না হাম্বা, খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা পুক য়েৎপা থিনবা তৌবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্নগসু অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ তোয়না তোয়না হাম্বা, খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা পুক য়েকপা থিনবা তৌবা, খোঙ হাম্বদা মনাংগা লোয়নরকপা, মনাংখক্তা ওইনা হান্নকপসু য়াওবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা হকচাং চোকথ-ৱান্থবা, কোক ঙাওবা, শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পুক গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা চাওখৎলগা লৈবা অমদি পুকচেপ্তা নাবা, চাকখাও শোকপা, ওনিং ওনিং তৌরগা লৈবা, থবাক শাগৎপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঙকশম মরি অমদি লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, য়াংলেন শরু নাবা, খুকউ নাবা, ফম্বী শোনবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবী : **W. PANTHOIBI**
Moirang

HL-P/2041/6

ꯔꯦꯖꯤꯁ꯭ꯇꯔ/REGISTER তৌজরগনি

Kanglei Entrepreneures Group হায়না মমীং থোনবা Entrepreneur শিংগী চাওখৎ থৌরাংদা যুম্ফম ওইবা Organisation, Imphal West অসি Manipur Society Registration Act তা Register তৌজরগনি। Head Office না Taobungkhok Makha Leikai দা ওইজগনি। হায়রিবা Kanglei Entrepreneur Group অসিবু রেজিষ্টর তৌবদা কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ঙসিদগী নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/- **Laishram Chamba Singh**
Secretary
Kanglei Entreprenuer Group ☎ 9856289157

HL-P/5334/6

BEFORE THE OATH COMMISSIONER, BISHNUPUR, MANIPUR

AFFIDAVIT

I, Longjam Yaiphabi Devi, aged about 19 years, D/o. L. Marjit Singh, a resident of Toubul Awang Leikai, P.O. & P.S. Bishnupur and District Bishnupur, Manipur do hereby make oath and state as unders :-

1. That, I am a law abiding citizen of India by birth. This is true to the best of my knowledge.
2. That, I passed the High School Leaving Certificate Examination 2015 bearing Roll No. 16890 conducted by the Board of Secondary Education, Manipur.
3. That, my mother's name was wrongly entered as **L. Mema Devi** in my High School Leaving Certificate. This is true to the best of my knowledge.
4. That, the actual name of my mother is **Longjam Sanjita Devi**.
5. That, now I would like correct my mother's name as **Longjam Sanjita Devi** in all my educational testimonies.

Verified that the statements made hereinabove para no. 1 to 5 are true to the best of my knowledge and nothing false has been stated.

Dated:Bishnupur
the 5th September, 2018

DEPONENT
L. Yaiphabi Devi

HL-P/3624/6

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref:- Mut. Case No. 904/SDC/NBL of 2018

1. Konjengbam Ingocha Singh S/o (L) K. Leihao Singh of Leimapokpam Awang Leikai.
2. –do– Ibotombi Singh S/o (L) –do– of –do–.
3. –do– Shamu Singh S/o (L) –do– of –do–.
4. –do– Ojit Singh S/o (L) K. Ibohal Singh of –do–.

Petitioner No. (1) (2) (3 (4) equal share under dag No. 1317.
Petitioner No. (2) (3 (4) equal share under dag No. 1321.

...... Petitioners

-Vrs-

(L) Konjengbam Leihao Singh S/o (L) Mangoljao Singh of Leimapokpam Awang Leikai.

...... Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 5/09/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১২-লৈমপোকপম অন্দর পাট্টা নং ২৫৭ (অনৌবা) দাগ নং ১৩১৭ অমসুং ১৩২১ এরিয়া ০.৭৪ অমসুং ০.৩২ একর ওফ ফৌরেল অমসুং ইম্খোল ক্লাস হায়রিবা লৌফম অমসুং ইম্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা দংকারিশিংনা মথক্তা পল্লিবা দাক নংশিং অসিগী মাগী মাগী শরুকশিংদা লৌফম অমসুং ইম্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অমসুং ইম্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/2099/6